

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা স্বিটজরলেন্দগী ক্লব য়ং বোইজগী মখুত্তা মায়থিখিবদা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লিবা ইটালিগী ক্লব জুবেন্টসতা শান্নরিবা পোর্টুগাল মচা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো*

*ৱার্ল্ড টুর বেদমিন্টন ফাইনেলসকী মেটচ অমদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান টাই ঝু য়িংবু মায়থিবা পীরম্লগা গ্রুপকী মকোক ওইখ্রবী ইন্দিয়াগী সট্লর পি ভি সিন্ধু*

## ইন্দিয়া নেদরলেন্দসকী মখূত্তা মায়থিহৌবদগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে, বেলজিয়মনা জর্মনি মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ODISHA HOCKEY MEN'S WORLD CUP BHUBANESWAR 2018



*ভুবনেশ্বর, দিসেম্বর ১৩ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা উরিষাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা চথরিবা হোক্কী মেন্স ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়া নেদরলেন্দসকী মখূত্তা পাঞ্জল ১–২ দা মায়থিহৌদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে। অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা বেলজিয়মনা জর্মনিবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং নেদরলেন্দসনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু হেক হৌবদগী য়ুম্বু টিম ওইখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথদুনা লাকখি। শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা টিম অসিনা চথরকখিবা এটেক অমদা অকাসদিপ সিংহনা পেনাল্টি কোর্নর অমদা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

১৫শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা থিয়েরি ব্রিঙ্কমেননা ফিল্ড গোল অমদা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখিবদা টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা অমনা অমবু হেঞ্জিন্নবা ঙম্নদনা লাকখি। মতম খরা অহেনবা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং মেটচকী ৫০শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা মিঙ্ক ৱিরদেন ভান দরনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ইন্দিয়াবু ২–১ দা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা বেলজিয়ম অমসুং জর্মনি শান্নখি। মেটচকী ১৪শুবা মিনটতা জর্মনিগী শান্নরোই দাইটর লিন্নেকোজেলনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থারবা মতুং বেলজিয়মগী শান্নরোই অলেকজেন্দর হেনদ্রিক্সনা পেনাল্টি কোর্নর অমদা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নরবা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫০শুবা মিনটতা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টোম বুননা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চনশিনবা ঙমদুনা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু ২–১ দা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## *ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৮–১৯*

## বেঙ্গালুরুনা এটিকেবু ১–০ দা থোইদুনা টেবলগী মকোক্তা লেঙদনা লৈরি

INDIAN SUPER LEAGUE RELIANCE STAR



*বেঙ্গালুরু এফসিগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল চনখিবা ইরিক পরটালু (ওই) না হরাওবা উৎপা*

*বেঙ্গালুরু, দিসেম্বর ১৩ঃ*

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৮–১৯ গী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা বেঙ্গালুরু এফসিনা এটলেটিকো দি কোলকতাবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা পুন্না পোইন্ট ২৭ ফংদুনা মকোক্তা লেঙদনা লৈরি।

বেঙ্গালুরুদা লৈবা শ্রী কান্তিরাভা ষ্টেদিয়মদা মফম অসিগী ক্লব বেঙ্গালুরু এফসি অমসুং কোলকতাগী ক্লব এটলেটিকো দি কোলকতানা শান্নখিবা মেটচ য়ুম্বু টিম অসিনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাকখি।

শান্নবগী ৩শুবা মিনটতা বেঙ্গালুরুগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা জিস্কো হর্নান্দেজনা এটিকেগী পেনাল্টি বোক্স মনুদা পীরকপা পাস অমা কেপ্টেন সুলিন ছেত্রিনা নীংথিনা ফাবা ঙমহৌদবদগী ঙন্না পাঞ্জল মাঙজিল থারম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা বেঙ্গালুরুনা মাঙজখি।

এটিকেগী শান্নরোইশিংনসু বেঙ্গালুরুগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেকশিং অদু কাউন্টর তৌদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী অহানবা হাল্ফকী শান্নবা মিনট ৩০ হেন্না হৌজিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদা লৈখি।


মেটচকী ৩৭শুবা মিনটতা মকোক থোংবা টিম ওইরিবা বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ইরিক পরটালুনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মাঙজিল থাখি। অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম খরা অদুদা এটিকেগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকখ্রবসু মায় পাকপা ঙমখিদবদগী বেঙ্গালুরু এফসিনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা শোত্থদুনা লৈরিবা এটলেটিকো দি কোলকতাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা বলৱন্ট সিংহনা ইক্বেলাইজর ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙহনখি।

মখা তানা শান্নরকখিবা মেটচকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা মায়কৈ অনীদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নরকখ্রবসু অহেনবাপাঞ্জল চনশিন্নবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু বেঙ্গালুরুনা এটিকেবু ১–০ দা থোইবা ঙমখি।

## চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোলদা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিনা জর্মনিগী ক্লব হোফেনহেমবু ২–১ দা থোইখ্রে, ফ্রান্সকী লিওন প্রি–ক্বার্টর চঙখ্রে

UEFA CHAMPIONS LEAGUE



*লন্দন। কিএভ, দিসেম্বর ১৩ঃ*

য়ুরোপ্তা পাঙথোকপা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মকোক থোংবা অমা ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগতা ইংলেন্দগী চেম্পিয়ন ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিনা জর্মনিগী ক্লব হোফেনহেমবু ২–১ দা থোইখ্রে। ফ্রান্সকী লিওন য়ুক্রেনগী ক্লব সাখটার দোনেটস্ককা ১–১ দা দ্রো চৎখ্রবসু গ্রুপকী অনীশুবা তাদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এফকী ৬শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং জর্মনিগী ক্লব হোফেনহেম শান্নখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল হোফেনহেমনা শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা এন্দ্রেজ ক্রামারিকনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফ লোইশিনখ্রবা মতুং ইনজুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা লেরোই সানেনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬১শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী অহানবাপাঞ্জল চনখিবা লেরোই সানেনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ২–১ দা মায় পাকখি। মেঞ্চেষ্টর সিটি গ্রুপ অসিদা মকোক ওইদুনা মাঙজৌননা টুর্নামন্ট অসিগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবনি।

গ্রুপ অসিমক্কী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ৬শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ফ্রান্সকী ক্লব লিওন অমসুং য়ুক্রেনগী ক্লব সাখটর দোনেটস্ক পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রবসু লিওন গ্রুপকী অনীশুবা তাদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মেটচকী অহানবা পাঞ্জল ২২শুবা মিনটতা সাখটর দোনেটস্ককী শান্নরোই জুনিয়র মোরেসনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৫শুবা মিনটতা লিওনগী শান্নরোই নাবিল ফেকিরনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু ১–১ দা মান্নরগা লোইশিনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ঐচকী ৬শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইটালিগী মকোক থোংবা ক্লব জুবেন্টসপু স্বিটজরলেন্দগী ক্লব য়ং বোইজনা পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরমখি। জুবেন্টসকী টিম গ্রুপ অসিদা মকোক ওইদুনা মাঙজৌননা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবনি।

গ্রুপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ৬শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা স্পেনগী ক্লব ভেলেন্সিয়ানা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ২–১ দা থোইরমখি। মায়থিখ্রবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদসু গ্রুপকী অনীশুবা পোজিসন তাদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িং থোইদুনা গ্রুপকী মকোক ওইখ্রে, সমির ভর্মসু মায় পাকখ্রে

HSBC BWF World Tour Finals Guangzhou

*গুৱাংঝৌ, দিসেম্বর ১৩ঃ*

চাইনাগী সিটি গুৱাংঝৌদা চথরিবা ৱার্ল্ড টুর বেদমিন্টন ফাইনেলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপী সট্লর পি ভি সিন্ধুনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংবু মায়থিবা পীরম্লগা গ্রুপকী মকোক ওইখ্রে। ইন্দিয়াগী সমির ভর্মসু ইন্দোনেসিয়াগী টোম্মী সুগিয়ার্টোবু থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা তাঞ্জা ফংখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী গ্রুপ এ গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৬শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী সিন্ধুনা নম্বর ৱান সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংবু গেম ২–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

মেটচ অসিগী অহানবা গেম টাই ঝু না ইন্দিয়াগী সিন্ধুবু য়াম্না লায়না ২১–১৪ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপা গেম অনীশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী সিন্ধুনা য়াম্না ফজনা শান্নবা ঙমখিবদগী ২১–১৬ দা থোইদুনা গেম অমমম মান্নখি।

অহুমশুবা গেমদা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। অদুবু লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী সিন্ধুনা ফজবা হেনখিবদগী গেম অদুসু ২১–১৮ দা থোইরম্লগা গ্রুপকী মকোক ওইবা ঙমখি।

সিন্ধুনা মহাক্কী অহুমশুবা মেটচ ৮শুবা সিদেদ য়ুএসএগী ঝাং বৈৱেনগা হয়েং শান্নরগনি।

ৱার্ল্ড টুর বেদমিন্টন ফাইনেলস অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী গ্রুপ বি গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ইন্দিয়াগী সমির ভর্মনা ৩শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী টোমী সুগিয়ার্টোবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরমখি।

অহানবা গেম শান্নরকপদা শান্নরোই অনীমক লম্বা মান্নখ্রবসু ইন্দিয়াগী সমিরনা ২১–১৬ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী সট্লর সমির ভর্মগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা সাগিয়ার্টোবু হিরম খুদিংমক্তা লাকশিনবা ঙমখিবদগী গেম অদু ২১–৭ দা য়াম্না লায়না থোইবা ঙমদুনা মেটচ অদু মায় পাকপা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী সমির ভর্মনা মহাক্কী অরোইবা মেটচ ৬শুবা সিদেদ থাইলেন্দগী কান্টাফোন ৱাংচারোনগা হয়েং শান্নরগনি।

### Certificate Lost

I have lost my Original Registration Certificate bearing Registration No. 4439 of 2018-2019 issued by Council of Higher Secondary of Manipur on the way in between My Residence and Paona Bazar on 4th December 2018.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* Salam Saimon Singh
Sagolband Sayang Khwainingthou Leirak
Phone No. 9089578304

*SL/4236/14*

### Document Lost

I have lost my Original Certificate of HSLC Examination 1995 bearing Roll No. 16093 issued by Board of Secondary of Manipur on the way in between Moirang and Imphal on 10th December 2018.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* Kumam Samson Singh
C/o K. Nipamacha Singh
Moirang Kumam Leikai, Ward No. 3
Moirang

*SL/4237/14*

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR
Kumbi

Ref. : Mutation Case No. 944/SDC/ Kumbi of 2018

1. Loitongbam Radha Devi W/o (Late) L. Amuba Singh of Wangoo Ahallup Mayai Leikai

Petitioner

-Vs-

1. (Late) Loitongbam Amuba Singh S/o (L) Subol Singh of Wangoo Ahallup Mayai Leikai

O.P.

**NOTICE**

Kumbi, the 13/12/2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙখঙহল্লি মদুদি 61-Wangoo দা লৈবা Patta No. 792/287 Dag Nos. 1030 an area 2.88 acre চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মশা মৃত্ত ওইখ্রে। মরম অদুনা পেট্রিস্নর ওইরিবী মাগী লোয়নবীদা নামা পানবিরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা অইবা চেনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। আইনগী মতুংইন্না মখা তাবা থবক চথগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Kumbi

*SL/4238/14*

### In the Court of Sub-Deputy Collector
**Keirao Bitra, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Cass No. 345/SDC/P of 2018*

Mutum Tama Devi W/o (L) Mutum Tombi Singh of Keirao Bitra Lairembi Leikai

***- Petitioner***

***-Verses-***

Late Mutum Tombi Singh S/o (L) Bijoy Singh of Keirao Bitra

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*The 13/12/2018*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Keirao Bitra Circle গী Village No. 54-Keirao Wangkhem গী Patta No.112 (অরিবা) 369 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 495 an area 0.70000 acre of Phourel Class লম অসিগী Pattadar Mutum Tombi Singh অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী লোয়নবীনা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Keirao Bitra Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চথগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Keirao Bitra, Imphal East

**SL/Bill(L)/14**

## ইন্দিয়ানা পাকিষ্টান মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌখ্রে

*কলম্বো, দিসেম্বর ১৩ঃ*

ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানবু সেমি ফাইনেলদা ৱিকেট ৭ তা থোইদুনা এসিসি ইমরজিং টিমস এসিয়া কপগী ফাইনেল য়ৌখ্রে।

মেটচ অসিগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। পাকিষ্টাননা মখোয়গী ইন্নিংস অদু ওভর ৪৫গী ৪শুবা বোলদা ৱিকেট ১০মক আওট ওইরগা রন ১৭২ লৌরগা লোইশিনখি।

মায় পাক্নবগী রন ১৭৩ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ২৮শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা ৱিকেট ৩ তুরগা লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানবু ৱিকেট ৭ তা থোইরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী বেটসমেন নিটিস রানা অমসুং হিম্মট সিংহনা ৪শুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ্তা রন ১২৬ লৌখিবা অদুনা টিম অসিনা মেটচ অদু চাউবা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

| ক্রোসৱার্দ ১১গী পাউখুম | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| K | I | S | S | | R | I | F | L | E | | T | A | C | T |
| A | R | I | A | | A | R | D | O | R | | O | S | L | O |
| R | I | N | G | | P | E | R | C | E | P | T | I | O | N |
| A | S | C | E | N | T | | | A | C | R | E | A | G | E |
| T | H | E | S | E | | D | E | L | T | A | | | | |
| | | | | A | V | O | N | | S | M | I | L | E | R |
| R | E | F | E | R | E | E | D | | | | R | O | L | E |
| A | L | I | A | S | E | S | | E | N | T | I | T | L | E |
| I | L | L | S | | | | H | A | R | A | S | S | E | D |
| L | A | M | E | S | T | | O | R | A | L | | | | |
| | | | | N | E | O | N | S | | O | P | E | R | A |
| E | R | A | S | I | N | G | | | S | N | A | R | E | S |
| M | A | N | I | P | U | L | A | T | E | | L | O | I | S |
| I | S | N | T | | R | E | L | I | C | | E | D | G | E |
| T | H | E | E | | E | D | I | C | T | | D | E | N | T |


**Reena Physiotherapy Clinic**

*YUMNAM LEIKAI, INDO-MYANMAR ROAD, IMPHAL WEST*

Treatments
- Fracture
- Frozen Shoulder
- Back Pain
- Knee Pain
- Arthritis, (Hip, Knee, Joints, Gout, Fracture, Paralysis, Bell's Palsy)

Instruments
- Tense
- Ultrasound
- IFT
- Traction
- Wax Therapy
- Hot Pack
- Pully
- Shoulder wheel
- Ladder
- Swiss Ball

অসিনচিংবা Instrument শীজিন্নদুনা হায়রিবা মখলশিং অসি লায়েংজরি ।

Sunday Open 8 AM. to 12 Noon.

Home visit কী খুদোংচাবা লৈজগনি।

Visiting Hours 8 AM. to 12 Noon. and 3 PM. to 7PM.

*Please Contact:*
**Dr. Moirangthem Reena Devi (BPT)**
**Phone No. 9774980552 / 8974282395**

*SL/BILL/Alt/30 Days upto 20 Dec.18*